হুইয়েন লানপাউ

য়ূমশকৈশা, নবেম্বর ১৭, ২০২১, ইম্ফাল

৪৫শুবা চহী, ২৩২শুবা মশীং

# ইলেক্টোরল রোল রিভিজন

## অচুম্বা অশেংবা তৌহৌগদবনি

মণিপুরগী চীফ ইলেক্টোরল ওফিসর (সী ঈ ও) না হৌজিক চত্থরক্লিবা ইলেক্টোরল রিভিজনগী থবক-থৌরমশিং অসি মথং চহীগী মার্চ ১৯গী মমাঙদা শোয়দনা পাঙথোক্লগদবা মণিপুরগী ১২শুবা ষ্টেট এসেমব্লি ইলেক্সনগীদমক্তনি। থবক অসিখক্তা নত্তনা মীখলসিদা মথৌ তাবা অতৈ থবকশিংসু লৌখৎলি। অদুবু মরু ওইবা থবক থৌরাংশিংগী মনুংদা ইলেক্টোরল রোল রিভিজনগী থবকশিং অসিসু অমনি। মরমদি মীখলসিদা মরু ওইবা থৌদাং লৌগদৌরিবসি ভোটর (ইলেক্টর) শিংনি। হৌখিবা কুমজা ২০১৭কী মার্চতা পাঙথোকখিবা মীখলদুদগীনা চহী ৫গী মতুংদা হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা মীখলসি ফাওবগী মনুংদা ভোট থাদবগী ইলিজিবল ওইরবা, ভোট থাদবা য়ারবশিংগী মমিংশিং নৌনা হাপচিনবা, লৈখিদবা মীওইশিংগী মমিংশিং লৌথোকপা, ময়ূম-মকৈ পানখিবশিং য়াওনা এসেমব্লি কন্সটিটুয়েন্সি অমদগী অমদা হোংদোক-হোংজিন তৌনবশিংগী মমিংশিং অমদগী লৌথোক্লগা অমদা হাপচিনবা, শেমদোক-শেমজিন তৌবনচিংবগী থবকশিং চত্থগদৌরিবনি। মরমদি ইলেক্টর অমগী মমিং কন্সটিটুয়েন্সি অনীগী ইলেক্টোরল রোলদা য়াওশিনবা (দ্যুএল এনরোলমেন্ট) তৌবা য়াদে। অদুগা য়ারিবমখৈ 'পর্সন ৱিথ দিসএবিলিটি' (পি দব্লিয়ু দি) শিং ফাওবা য়াওনা ভোট থাদবা য়ারবা পূন্নমক অমত্তা চিত্থহৌদনবা হোৎনগদৌরিবনি। থবকশিং অসিগীদমক পায়খৎলকপা থৌরাংশিংগী মনুং চন্না হৌজিক ইলেক্টোরল রোলশিংগী ড্রাফ্ট ইলেক্টোরল রোলশিং ফোঙখ্রে। মসিদা হাপচিনগদবা, লৌথোকফম থোকপশিং য়াওনা শেমদোক-শাদোক্লবগী মথৌ তাবা থবকশিংগী ক্লেম, ওবজেক্সন অমদি সজেসননচিংবশিং তৌহৌগদৌরিবনি। তৌহৌনবা মতমসু চৎলিবা থাসিগী ৩০ ফাওবা পীরিবনি। হায়রিবা মতমসি লোইরগা নিংথিজনা শেমজিন-শাজিল্লগা মণিপুরগী ওইবা ফাইনেল ইলেক্টোরল রোলনা মথং চহীগী জন্যুৱারী ১, ২০২২দা ফোঙদোক্কদৌরিবনি।

মরম অসিনা ইলেক্টোরল রোল রিভিজন (সম্মরি রিভিজন) গী থবক অসি হৌজিক ফাওবগী ওইনা সী ঈ ও, মণিপুরনা লান্না তৌরে, চত্থরে হায়বা নত্তে। য়ারিবমখৈ চুম্না মসিগীদমক পীরিবা গাইদলাইনশিংগী মতুংইন্না পাঙথোকহৌবা চুমগনি হায়বনি। নাকল অমরোমদনা হৌজিক চহী কয়াগী মতুংদগী অমুক হন্না ষ্টেটসিদা 'ইন্নর লাইন পর্মিট' (আই এল পি) সিষ্টম চৎনহল্লকপনা য়েলহৌ ফুরুপকী য়েলহৌমীশিং নত্তবা মপান্দগী খাঙঙুথক্তা চঙশিল্লকপা, ষ্টেটসিদা দোমিসাইল ওইদ্রিবা মীওই কয়া চীং অমসুং তমগী এসেমব্লি কন্সটিটুয়েন্সিশিংদা শোয়দনা লৈরমগনি খল্লি। মরম অসিনা অকক্লবা এসেমব্লি সেগমেন্ট অমগী পোল্লিং ষ্টেসন অমগী ইলেক্টোরল রোলদা হায়রিবা মীওইশিং অসিবু ইলেক্টরশিং ওইনা হাপচিন্দ্রিবঁগী মমাঙদা মসিগীদমক লৈরিবা রুল অমসুং গাইদলাইনশিংনা কোনশিল্লব্রা, মসিনা অয়াবা পীরব্রা হায়বদু কূপ্না য়েংশিনহৌগদবনি। নৎত্রবদি মসিনা মরম ওইদুনা ৱারু-নুংজু থোকহল্লকপা চুল্লোই। মদুনা হৌজিক ফাওবগী ওইনা মীখলগীদমক শিৎ-নাল্লিবা লম্বীদা অচৌবা নূঙজাও ওইহল্লকপা চুল্লোই। মীখলগী থৌরাংদা য়েখাই-থিনগাইগদবা থৌদোকশিং থোকহল্লক্তনবা হোৎনহৌবা চুমগনি। থবকসিদা মরী লৈনরিবা পোলিটিকেল পার্টিশিং, ইন্টেন্দিং কেন্দিদেটশিং, মীয়াম অমসুং ষ্টেকহোল্ডর পূন্নমক্লসু অঙম্বা মতেং পাংশিন্দুনা সপোর্ট পীবিফম থোকই। পাঙথোক্কদবা মীখলসি ষ্টেটসিগী মীয়ামগী চহী ৫গী লাইবক লেপকদবা মীখলনি। অনৌবা মীখলসি ফ্রী এন্দ ফেয়র ওইনা পাঙথোকহনগদবনি। মসিগীদমক মহৌশাদগী হৌনা চীফ ইলেক্টোরল ওফিসর (সী ঈ ও), মণিপুরনা পাঙথোকখিবগুম্না হন্দক্কী রিভিজন অসিদসু মরী লৈনরিবা ইলেক্টোরল ওফিসরশিংগা খূৎশম্নুনা ষ্টেটসিগী ওইনা ফাইনেল ইলেক্টোরল রোল ফোঙদোক্ত্রিবা ফাওবদি কাঙলোন চুম্না থবক পায়খৎহৌবা চুম্মী। মীয়াম্নসু মরু ওইনা মশাগী চহী ১৮ শুরবা পূন্নমক্লসু মতম-মতমগী মতুংইন্না সম্মরি রিভিজন অসিগীদমক লৌখৎলকপা থৌরাংশিংদা শরুক য়াগদবনি। চহী ৫-৫ খুদিংগী পাঙথোকফম থোক্লিবা মীখলদি অদুম্মক পাঙথোক্তুনা লাক্লিবনি। লুরিবদি রুলগী মতুংইন্না ভোটিং রাইট ফংবা য়ারবশিংবু ইলেক্টোরল রোলশিংদা চনশিনহন্দুনা মীয়ামগী মীহুৎ খনবদা মখোয়সু শরুক য়াহনবা, এদল্ট ফ্রঞ্চায়স পাঙথোকহনবা তঙাইফদে। থবকশিং অসি মায় পাক্লা পাঙথোক্লগদি লৈবাকসিদা চৎনরিবা দেমোক্রেসিগী লৈঙাকলোন অসিগী অচুম্বা অমসুং অশেংবা মশক লেপথোকপা ঙমগদৌরিবনি। মরু ওইখ্রবা থবকসিদা কনাগুম্বা লন্নাই মীওই নৎত্রগা কাঙলূপ নৎত্রগনা মীখলদা শরুক য়াগদৌরিবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী অরানবা ইনফ্লুয়েন্সকী মমি তাহল্লোইদবনি। অচুম্বা-অশেংবশিং খক্তমক থবক ওইনা ওন্থোক্কদবনি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩০

১) *''হুয়েল লানশোক লৈমাবী।।/পাম্বোম খূৎশু শিঙথাঙমদমবী।।//থাঙহাই নোংথাং পান্দম্নবী।।/শঙাইশেল তাহুল পাইগুম্বী।।/ঊনবী শৌশা মাঙহনবী।।/শমু মাঙদা খাঙঙমদবী।।/লানফম কুম্মৈ য়েংগনবী।।''* পীরিবা পরেং খরসি কনাবু শৈথাবা মীংখৈনো?

২) **''চফূন কায়রবদি''** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৩) **''নীংশিংলি লেপ্তুনা তেংথারি যমুনা;/নিল্লি লাউখোংলি থুগায়রি অচীকপা।/মতমগী খজাইদা শিন্থরি পিরাং মা;;/ফোঙদোক্লি অৱাবা অতৎপা লৈতনা।।''** ময়াম্না পাম্নবা ঈশৈ মতেকনি, শৈরেংবসি কনানো?

৪) *''ওঁ বাসুদেব-মহাকাব্য (মীতৈরোলগী মহাকাব্য)''* হায়বা লাইরিকসি কনানা ইবনো?

৫) *''মোহন দাস''* হায়বা লাইরিক অসি ওরিজিনেল কনানা ইবা করি লাইরিক্তগী কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ৩০, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২৯গী অচুম্বা পাউখুম থাবীরকখিবশিংদি*

১) য়ূম্নাম ইবোচৌবা, হাওরৈবী মখা লৈকায় - (১,৩,৪,৫)
২) পি শিল্লৈমা চনু, য়াইরিপোক - (৩,৪)
৩) তোংব্রম জিবোন, লাংজিং অচৌবা মখা লৈকায় - (১,৩,৪,৫)
৪) থোঙ্গ্রাম রোমেন মৈতৈ, কৈরক তোমাল মখোঙ - (৪)
৫) অকোইজম নোংমাইনিংথৌ, খুন্দ্রাকপম মখা লৈকায় - (১,৩,৪)
৬) ঙাসেপম দিঙ্কু, য়ুরেম্বম মনীং লৈকায় - (৪)
৭) মোইরাংথেম গঙ্গুলি, ককচীং তুরেল ৱাংমা নিংথৌ পরেং - (১,৩,৪)
***৮) অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায় - (১,২,৩,৪)***

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ২৯গী ৱিন্নর*

***অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায় (দ্রোদা ৱিন্নর ওইখ্রবা)***

**লিটরেরি ক্যুইজ ২৯গী শেলগী মনা অসি ৱিন্নর ওইরবা মীওই অসিগী বেঙ্ক একাউন্টতা ওইনা হাপচিঞ্জরগনি।**

# হৱাই উরি পাম্বীগী মরাশিংবু বেট্টরি অমগুম্না, এনর্জি তুংশিন্নবগীদমক শীজিন্নরকপা

**সাইন্সকী খোঙচৎ**

**কুঞ্জো নাওরেম**

'ওইথোক্তবা' হায়বসি অপংবা মীগী ৱাহৈশিংগী পুক্কৈখক্তদা য়াওই' হায়না নেপোলিয়ননা হায়রম্বদু চুম্মী হায়বসি অৱা-অনা কয়া খাঙদুনা থিজিল্লিবা সাইন্টিষ্টশিংনা উৎতুনা লাক্লি। অসুম্না ওইথোক্কনি থাজরমদবা লম্ কয়াদা অনৌ-অনৌবা, ঙক্লবা খূৎলায়শিং, থৌওংশিং অমদি টেক্নিকশিং পুথোরক্লি। অসিগুম্বা 'সাইন্সকী খোঙচৎ' অসিদা স্বিদেনদা বেজ তৌবা থিজিল্লোইশিংনা হৱাই উরি (বীন) পাম্বীগী মরাশিংবু এনর্জি ষ্টোরেজ দিভাইসশিংদা ওন্থোকপা ঙল্লে হায়না 'মেটরিঅলস হরাইজন্স' তা ফোঙদোরক্লি। লিনকোপিং য়ুনিভর্সিটিগী লেবোরেটরি ওফ ওর্গানিক ইলেক্ট্রোনিক্সকী থিজিল্লোয়শিংনা কঞ্জুগেটেদ ওরিগোমরশিং য়াওবা সোল্যুসন অমগা লোয়ননা হৱাই উরি (Phaseolus vulgaris) দা ঈশিং চাইদুনা পাম্বীদুগী মরাশিংনা ইলেক্ট্রিক করেন্ট পীদুনা চৎপা অদুগা ইলেক্ট্রিকল এনর্জিবু তুংশিন্দুনা থম্বা ঙল্লে হায়বসি উৎলকখিবনি।


থিজিনবগী থবক অসিদা লুচিংখিবা লেবোরেটরি ওফ ওর্গানিক ইলেক্ট্রোনিক্সকী ইলেক্ট্রোনিক প্লান্টস গ্রুপ্তা এসোসিএট প্রোফেসর অমসুং প্রিন্সিপাল ইনভেষ্টিগেটর ওইরিবা Dr. Eleni Stavrinidou না কুমজা ২০১৫দা আতর গুলাপ পাম্বীগী ভাস্কুলর টিস্যুদা ইলেক্ট্রিকল সর্কিটশিং হাপচিনবা ঙমখি। ইলেক্ট্রিক করেন্ট ফাওদুনা চৎপা ঙম্বা PEDOT [Poly (3, 4-ethylenedioxythiophene)] পু পাম্বীদুগী ভাস্কুলর সিষ্টম্না চুপশিল্লগা ট্রাঞ্জিষ্টরশিং শাবা য়াবা ইলেক্ট্রিকল কন্দক্টরশিংদা ওন্থোক্লম্মী।

আতর গুলাপ পাম্বীদুগী ষ্টেমদা শেল্লক্লিবা কন্দক্তিং হায়দ্রোজেলনা ৱায়ারগী মওং লৌরকখি। ষ্টেমদুগী মচিন অনীনা ইলেক্ট্রোদশিং ওইরগা, ময়ায়দুনা গেটকী মথৌ তৌদুনা মপূং ফারবা ট্রাঞ্জিষ্টর অদু শেমখি। মসিগীদমক মখোয়না অখন্ননা শেম শারবা মেটরিঅল অমসু পুথোকখি। মেটরিঅল অসিনা মপান্থোংগী ওইবা ট্রাইগর অমত্তা য়াওদনা আটর গুলাপকী মনুংগী শরুকপু পোলিমরাইজ তৌরম্মী। আতর গুলাপ মনুংদা চেল্লিবা মহীদুনা অশাংবা, কন্দক্টিং থ্রেদশিং শেম্বসু ঙমখি। অদুগা মখোয়গী পাউদম অদু 'সাইন্স এদভান্সেস' তা ফোঙদোকখি। মসিগী মখা তানা থিজিল্লকখিবা অমদা, কুমজা ২০১৭তা, মহাক্লা ঈ টি ঈ-এস (ইলেক্ট্রো-থর্মেল এনর্জি ষ্টোরেজ) হায়না খঙনবা, কঞ্জুগেটেদ ওলিগোমর অসিনা পাম্বীদা পোলিমরাইজ তৌবা ঙম্মী অদুগা এনর্জিবু তুংশিনবা ঙম্বগী কন্দক্টরশিং শেল্লকপদু শন্দোক্লা তাক্লকখি।

থিজিন লূপ অসিনা অহানবদা, কন্দক্টিং পোলিমরশিং নৎত্রগা ওলিগোমরশিং শেম্বা ঙম্বা পাম্বীশিংদগী ককথৎলবা কটিংশিং শীজিন্নখি। অদুম ওইনমক, পাম্বীগী কটিংশিংদু নুমিৎ খরনি-খক্তমক হিংবা ঙল্লম্মী, অদুগা পাম্বীদু মখা তানা হৌরকপা ঙল্লমদে। অদুনা হন্দক্কী থিজিনখিবা অসিদদি মরূদগী হৌরকপদা ঙাইরিবা হৱাই উরিশিংদা চাং য়েংখি অমসুং পাম্বীশিংদুদা ওলিগোমরশিং য়াওরবা সোল্যুসন অমগা লোয়ননা ঈশিং চাইবা মতমদা পাম্বীদুদা ইলেক্ট্রিক করেন্ট ফাওদুনা চৎপা ঙল্লকখি হায়না Stavrinodou না ফোঙদোক্লি। মতাংসিদা থিজিন-লূপ অসিনা মহৌশাগী থৌওংনা পাম্বীদা পোলিমরাইজ তৌরবা মোনোমর অহুম য়াওবা ট্রাইমর, ঈ টি ঈ-এস শীজিন্নখি। পাম্বীদুগী মরাশিংদা পোলিমরগী করেন্ট চেনবা ঙম্বা অপাবা মরোল অমনা কুপশিল্লকখি, মসিনা পাম্বীদুগী রূট সিষ্টম পূন্নমকপু খুদক্তা ফংবা য়াবা কন্দক্টরশিংগী নেটৱার্ক অমা ওইনা মথৌ তৌহল্লম্মী।




হৱাই উরি পাম্বীগী মরাশিংনা য়ামদ্রবদা চয়োল মরিদি ইলেক্ট্রিকল কন্দক্টর ওইনা লৈরম্মী অদুগা মখোয়গী কন্দক্টিভিটিনা চাওরাক্লা ১০ S/cm




রূট সিষ্টম পুন্নমকপু ETE-Sনা ফংসেনলাইজ তৌদ্রিঙৈ, তৌরিঙৈ মনুং অমসুং তৌরবা মতুংদা হৱাই-উরিনা চাওখৎলকপগী মমিশিং।



বাইওহায়ব্রিদ ওইরবা হৱাই-উরিগা লোয়ননা Dr Eleni Stavrinidou অমসুং PhD মহৈরোয় Daniela Parker

(Siemens per centimetres) ওইরম্মী। মখা তারকপদা, থিজিন লূপ অসিনা পাম্বীদুগী মরাশিংদুবু এনর্জি তুংশিন্নবগী ওইথোকপা য়াবগী মতাংদা থিজিনখি। মখোয়না মরাশিংদু চার্জ তৌরিঙৈ অমসুং দিসচার্জ তৌরিঙৈ মনুংদা ইলেক্ট্রোদশিং ওইনা মথৌ তৌবা সুপরকেপাসিটর অমা শেমগৎপা ঙমখি। মতাংসিদা Stavrinodou না ফোঙদোকপগী মতুংইন্না, কন্দক্টিং পোলিমরশিং অমসুং সেলুলোজদা য়ূম্ফম ওইবা সুপরকেপাসিটরশিংসি এনর্জি তুংশিনবা ঙম্বা, মমল হোংবা অমসুং চাওবগী চাং হোংদোক-হোংজিন য়াবা, ইকো-ফ্রেন্দলি ওইবা পাম্বৈ অমনি হায়রি।

পাম্বীগী মরাদা য়ূম্ফম ওইবা সুপরকেপাসিটর অসি মথৌ ফজনা তৌই, অমসুং পাম্বীগী কটিংশিং শীজিন্নখিবা চাংয়েংশিংদুদা ফংখিবা কেপাসিটরশিংদগী এনর্জি তুংশিনবগী চাংসি শরুক ১০০ হেন্না হেনবসু থেংনরম্মী। চাংয়েংসিদা শীজিন্নখিবা হৱাই উরিশিংদুনা মখা তানা, কুইনা হিংবা ঙম্বনিনা দিভাইস অসিবু হন্না হন্না শীজিন্নবসু য়ারম্মী। চাংয়েংসি পাঙথোকপা মতমদা পাম্বীদুদা হেন্না কপপ্লেক্স ওইবা রুট সিষ্টম অমা শেল্লকখি, অদুবু পাম্বীদুদদি করিগুম্বা অকায়বা অমত্তা পীরক্লমদে, হায়বদি পাম্বীদু অদুম হিংদুনা চাওখৎলকখি অদুগা হৱাইশিং পাল্লকপসু ঙমখি হায়না Stavrinidou না মখা তানা ফোঙদোক্লি।

থিজিন লূপ অসিনা ফংলক্লিবা মহয়সি য়াম্নমক শিংথানীংঙাই ওই, মরমদি মসিনা সষ্টেনেবল এনর্জি ষ্টোরেজ শেমগৎপদা নত্তনা, ফংসনেল মেটরিঅলশিং অমসুং কম্পোজিৎশিংগুম্বা অনৌবা বাইওহায়ব্রিদ সিষ্টমশিংসু শেমগৎপা ঙমহল্লগনি। ইলেক্ট্রোনিক রুটশিংসি ইলেক্ট্রোনিক অমসুং বাইওলোজিকল সিষ্টমশিংগী মরক্তা অয়েৎ-অপন লৈতনা পাউ ফাওনবা ঙমহনবগী মরু ওইরবা থৌদাং অমসু লৌরে। অদুনা পাম্বীশিংবু ওর্গানিক সর্ভৈইলন্স সেন্সরশিংদা ওন্থোকপগা লোয়ননা মঙালগী মায়কৈ তম্না লেংবা ঙম্বা সাইবোর্গ প্লান্টশিং শেমগৎপা ঙল্লগনি হায়বগী থাজবসু থিজিন লূপ অসিনা থল্লি।

থিজিনখিবা অসিদা শরুক য়াখিবা য়ুনিভর্সিটি অসিগী অতোপ্পা লোয়শঙশিংদি উমিয়া প্লান্ট সাইন্স সেন্যর, ৱালেনবর্গ ৱূদ সাইন্স সেন্টরনি, অদুগা ফ্রান্স, গ্রীস অমসুং স্পেনগী য়ুনিভর্সিটি অমসুং রিসর্স ইন্সটিট্যুটশিংসু শরুক য়াখি হায়না পাউদম অসিনা মখা তানা হায়রি। ●

# ফিফাগী প্রসিদেন্ট সেপ ব্লেট্টরনা দোলর মিলিয়ন কয়ামুক শেল চারম্বা

**- লৈশাংথেম অজিৎ -**

শান্নবগী অশিল অরাং তৌরিবা অমদি থৌপুরিবা মীওই কয়ামুক্লা শেল চাবা, শেল হুরানবা অমদি শেল লান্না শীজিন্নদুনা মশাগী ওইজবা তানবা মীওই কয়ামুক্কী মরমদা ঐখোয়না খঙনরে। অসিগুম্বা থৌওংশিং অসিগী মনুংদা ফিফা হায়না খঙনরিবা ফেন্দরেসন ইন্টরনেসনল দি ফুটবোল এসোসিএসন অসি মালেমগী ফুটবোল মশান্নগী খ্বাইদগী শক্তি লৈবা অমদি অচৌবা লূপ অসিগী মরু ওইবা অশিল অরাং তৌরিবা ওফিসলশিংগী মনুংদা শেঞ্জা থুমজা তৌবগীদমক য়ু এস এ ফেন্দরেলগী ৱাকৎলোয়শিংনা কুমজা ২০১৫দা ফোঙদোকখ্রে। লূপ অসিগী হান্না প্রসিদেন্ট ওইরম্বা জোশেপ সেপ ব্লেট্টরনা মতিক মগুণ লৈবা মশান্না অসিবু মালেম শিনবা থুংনা শন্দোক্তুনা থাক ৱাংখৎনবা হোৎনরম্বা স্বিটজরলেন্দ মচা অসি লূপ অসিবু হাইনা হুম্না কুমজা ১৯৯৮দগী ২০১৫ ফাওবা মহাক্কী ফম অসি পায়দুনা ফুটবোল মশা অসি কুমজা ১৯৯৮ দগী ২০১৫ ফাওবা ফুটবোল মশান্না অসি চাওখখৎনবা হীরম কয়ামরুম পাঙথোক্লম্লবসু শেঞ্জা থুমজা তৌবগীদমক চহী ৬ ফিফাদগী তান্থোকখিবদগী মহাক্লা হেন্না বোনস পীবদা শেরান তুরান তৌরম্বগী চহী ৬ অমুক্লা তান্থোক্তুনা পূন্না চহী ১২ ফুটবোলগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিংদগী তান্থোকখি। মহাক হৌজিক মশাগী চহী ৮৫ শুরে। মহাক ফিফাগী ৮শুবা প্রসিদেন্টনি। মহাক্লা ফম অসি কুমজা ১৯৯৮গী জুন ৮দগী কুমজা ২০১৫গী দিসেম্বর ২১ ফাওবা পূন্না চহী ১৭ হেন্না থবক পুখি। অদুবু শেঞ্জা থুমজানা মরম ওইদুনা কুমজা ২০২৮ ফাওবা মহাকপু ফুটবোল শান্নবগা মরী লৈনবা থবকশিংদা অথিংবা পীখি। মহাক্কী মহুত্তা মতম খরগী ওইনা মিষ্টর ইসশা হ্যাতোননা মহুৎ শিনখি। চৎনবীগী মতুংইন্না সুইস ইটালিয়নগী ফুটবোল মশান্নগী অশিল অরাং তৌরম্বা নুপা অমবু কুমজা ২০১৬কী ফেব্রুৱারী ২৬তা ফিফাগী এক্সত্রা ওর্দিনরি কোংগ্রেস অমনা প্রসিদেন্ট খনখি। নুপা অসিমক ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিগী মেম্বর থা ৪ রোম লৈরগা ওইহনখি। মসিগা লোয়ননা ভাইস প্রসিদেন্ট ওইনা ফিফাগী মীওই মঙা খনখি । মখোয় অদুদি পেত্রিক মোতসোপ, এনগেলে মেরিয়া তিল্লর, দেভিদ চুঙ, সালমান খালিফা অমসুং অহমদ অহো অহমাদনি। মখোয়গী মনুংদা পেত্রিক মোতসোপ খা অফ্রিকাগী শেঞ্জাও পায়বা বিল্লিয়নিয়র লল্লোন ইতিক তৌবা নুপানি। মহাক লৈবাক অদুগী খ্বাইদগী ইনাক খুনবা নুপানি।

অমরোমদা স্বিটজরলেন্দ লৈঙাক্লা ফিফাগী প্রসিদেন্ট জোসেপ সেপ ব্লেট্টর অমসুং ফ্রান্সকী ফুটবোল কেপ্তেন ওইরম্বা প্লাতিনি মীঙোন্দা নমথাক তৌবা অমসুং অতৈ মরাল কয়া অমদি দোলর মিলিয়ন ২.২ লান্না শীজিন্নবগীদমক মখোয়বু মরাল পীনবা চত্থবা খোঙজংনি। মখোয়দা শীরিবা মরাল অসি চহী ৬ স্বিটজরলেন্দ লৈঙাক্লা থিজিন খোৎচিনবগী থবক চত্থরম্মী। মসি কুমজা ২০১১দনি। সেপ ব্লেট্টর চহী ৮৫ শুরে অমদি প্লাতিনিদি চহী ৬৫ দং শুরি। মখোয় অনীমক স্বিটজরলেন্দগী বেল্লীনজোন্নাদা ফেন্দরেল ক্রিমিনেল কোর্টতা থা খরগী মনুংদা ট্রাইএল পাঙথোকখি, বিচার তৌখি। মখোয়না ফিফাগী লন-থুম মাঙহল্লি, চৎন-কাঙলোন থুগাই হায়দুনা কোর্টনা মরাল শীখি। মখোয়গী মথক্তা থিজিন খোচিনবগী থবক অদু কুমজা ২০১৫গী সেপ্টেম্বরগী মতমদা তৌখি। মতম অদুদা ফিফাগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা জোসেপ সেপ ব্লেট্টরবু নমদুনা ছুটি পীখি হায়বদি ফোর্সদ লিভ লৌহনখি।

মহাকপু ফ্রান্সকী ৱর্ল্ড কপকী কেপ্তেন ওইরম্বা হৌজিক্লা য়ুনিয়ন ওফ য়ুরোপিয়ন ফুটবোল এসোসিএসন (য়ু ঈ এফ এ) গী প্রসিদেন্ট ওইরিবা প্লাতিনিনা কনবিনবা হোৎনখি। ব্লেট্টর মথংগী টর্মদা অমুক হন্না ফিফাগী প্রসিদেন্ট ওইনবা শেম শারি অদুবু চয়োল খরগী মনুংদা মহাক্কী মখূত্তা লৈরিবা য়াল্লবা শেনফমশিং অদু পীথোরক্লবা হায়খি। মরম অদুনা কুমজা ২০১৫গী সেপ্টেম্বর ২৫দা স্বিটজরলেন্দগী এটোর্নি জেনরেলগী ওফিসনা মহাক্কী মায়োক্তা অরানবা থবক তৌবগী ৱায়েল থৌদা চত্থনবা লাউথোকখি। মসিগী মরু ওইবা মরমদি শেল লান্না শীজিন্নবা অমসুং আইনগী ৱাংমদা থবক কয়ামুক পাঙথোকখিবনা মরম ওইখিবনি। মথংগী থা ওক্টোবরদা মঙোন্দা ইনভেষ্টিগেসন চত্থরিঙৈদা ফিফাগী আপীল কম্মিটিনা মহাক্কী মথক্তা লৈবা সস্পেন্সন অদু লৌখৎপীনবা য়াবিখি অদুবু চহী ৮দগী ৬তা হন্থহনখি। তৌইগুম্বসুং কুমজা ২০২১গী মার্চ ২৪দা অমুক মহাক্কী মথক্তা অনীরকশুবা তোঙানবা অথিংবা হায়বদি মহাক ফুটবোল শান্নবগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিংদা চহী ৬ লাপথোক্লবা অশিন অরাং য়াওহন্দনা লৈগদবনি হায়বসিনি।

ইথিক কম্মিটিনা মঙোন্দা সী ঐচ এফ ১০,০০,০০০ (লাখ ১০) ফাইন তৌখি। সী ঐচ এফ অসি স্বিটজরলেন্দ শেলনি। সী ঐচ এফকা ইন্দিয়াগী লুপা ৮১.৩৩গা চপ মান্নে। অদুনা মহাক্কী ফাইন অসি ইন্দিয়াগী লুপা ৮১,৩৩,০০০গা মান্নে। মহাকপু নমদুনা ছুটি পীখিবা অসিনা মহাক্কী মনীংতম্বা অদু মাঙখি। মহাক্লা ফিফাগী অশিন অরাং তৌবগী খুদোংচাবা লৌদুনা অরানবা থবকশিং পাঙথোক্লম্বা অদু তোকখি। অদুবু অমরোমদা ব্লেট্টরদি অমুক হন্না মথংগী টর্মদসু ফিফাগী প্রসিদেন্ট ওইনীংবগী ৱাখল্লোন লৈ। মহাক মসিগীদমক হোৎনবা হৌখি। জোসেপ ব্লেট্টর কুমজা ১৯৯৮গী জুন ৮দগী কুমজা ২০১৫গী দিসেম্বর ২১ ফাওবা পূন্না চহী ১৭ হেন্না ফিফাগী প্রসিদেন্ট ওইনা থবক পুখি। মহাক্কী মতমদা ফুটবোল মশান্না অসি থৱায় হকচাং য়াওনা মালেমগী কাচিন কোয়া য়ৌনা চাও-খৎনবা হোৎনবদা মায় পাকখি। মশান্না অসিদা খুমাঙ চাওশিনবা ঙমদ্রিবা লৈবাকশিংগী নুপামচা-নুপীমচাশিংদা ফুটবোল শান্নহন্নবা থৌরাংশিং লৌখৎতুনা হৌজিক্তি মালেমগী মফম খুদিংমক্তা মশান্না অসি মরাং কায়না শান্নরি।

অদুবু জোসেপ ব্লেট্টর অসি ফিফাগী য়াল্লবা শেনফমশিং মশাগী ওইনা লান্না শীজিন্নৈ হায়বা ফিফাগী মেম্বরশিংনা খঙলকখি। মরম অদুনা হীরম অসিদা থিজিন খোৎচিনবগী থবক চত্থদুনা মহাক্কী মরালশিং পীবা পামখি। মরালশিং অসিগী চৈরাক ওইনা মহাক কুমজা ২০২৮ ফাওবা ফুটবোল মশান্নগা মরী লৈনবা পূন্নমক অথিংবা থমখি। মহাক্কী মহুত্তা মতম খরগী ওইনা ইসশা হ্যাতোনবু ফিফাগী প্রসিদেন্ট ওইহনখি। মহাক্কা থবক তৌমিন্নগদবা ভাইস প্রসিদেন্ট তরেৎ খনখি। মখোয় অদুদি এসিয়ন ফুটবোল কনফিদরেসন, কনফিদরেসন ওফ অফ্রিকান ফুটবোল, সাউথ অমেরিকা ফুটবোল কনফিদরেসন, কনফিদরেসন ওফ নোর্থ সেন্ট্রেল অমেরিকা অমসুং কেরিবিয়ান এসোসিএসন ফুটবোল, ওসিনিয়া ফুটবোল কনফিদরেসন, য়ুনিয়ন ওফ য়ুরোপ ফুটবোল এসোসিএসন হায়রিবা লূপশিং অসিদগী ভাইস প্রসিদেন্ট অমমম খনখি অদুবু য়ুনিয়ন ওফ য়ুরোপিয়নগীদি ভাইস প্রসিদেন্ট অনী খল্লি। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২৯গী পাউখুম

১) *''থাপ্নরিবা''* হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো? করম্বা মখলগী লাইরিকনো? ***:- মুহেন চোংথাম; ৱারী মপূমনি; অহানবা ফোঙবা, ২০০৪।***

২) **''মপারি লৈরাংতোন্দা শাৎপা শিংলেনতোন্দা পোকপা উনৌ কোন্দেল্ কোন্না হুন্ শলেন্ লাইফাও থিনবা, খোইয়ম লাইপোক শংশংবা চেংলৌ শক্লা হেনবা, পুনুং লিন্না ঙানবা, খোইয়ম লাইবু নীংবগী কোলোই মমিংথোংদি বৃষকেতু তৌনা কৌএ। বৃষকেতু ভক্ত ৱারী লমদাংশাংবু হয়া লাওনা শৈথিরক্কে।''** ৱাহৈ পরেংশিং অসি করি লাইরিক্তগী লৌথোকপনো? ***:-''দাতা কর্ণ'' হায়বা লাইরিক্তগী লৌথোরকপনি (লা ১); সম্পাদক - শ্রী রাজকুমার স্নাহল সিংহ, বি কম্, অহানবা ফোঙবা, ১৯৬৮ ইং।***

৩) বৃন্দাবনলাল বর্মাগী **''মৃগনয়নী'** হায়বা উপন্যাষ অসি মণিপুরীদা করি মমিং থোন্দুনা কনানা হন্দোকপগে? ***:-মমিং অসিমক্তদা হায়বদি ''মৃগনয়নী' হায়না কে য়াইমা শর্ম্মানা হন্দোকপনি। (অহানবা ফোঙবা, ১৯৯৯, অফোংবা - শর্ম্ম বুক এজেন্সী, ইম্ফাল।)***

৪) *''সীতা বনবাস''* হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো? ***:- শ্রী মীনকতন সিংহ; অহানবা ফোঙবা, মে ২৫, ১৯৩৬ ইং।***

৫) *''মহাভারতকী শকুনি অমসুং শকুনিগী ৱাশক''* হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো? ***:- অইবা - ওইনাম বিরমঙ্গোল সিংহ; দ্রামানি; অহানবা ফোঙবা, ইং ২০০৯।***

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।